ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯷, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, এপ্রিল ১৭, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ২৫শুবা মশীং

# লম খোপচিনবা

## হঞ্জিন-হঞ্জিন তম্বীরবসু ফাদবা পাড়া

হৌখিবা এপ্রিল ১০ অমসুং ১১, ২০২৩গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা চেক্কোনগী ত্রাইবেল কোলোনিদা লৈবা গভর্ণমেন্ট (ষ্টেট) লেন্দদা শাজিল্লম্বা তোঙান-তোঙানবা চর্চ ৩ লৈঙাক্না তকখাইখ্রে। নুমিৎসিগী অয়ুক্তনা মন্ত্রিপুখ্রিগী লমলোঙ্গৈদা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াদা শাজিল্লম্বা য়ূম ২৯সু শিদোক্তুনা তকথোকখ্রে। ত্রাইবেল কোলোনিদা তকথোকখ্রিবা চর্চ অহুমদু ঙরাং-নহান্তা শাগৎলকখিবা নত্তে। ঙসিদগীনা চহী ৪৮/৪৯ রোমগী মমাঙ কুমজা ১৯৭২-৭৪দগী লৈরকখিবা য়াওরি। অদুবু চর্চশিংদু মফমদুদা লৈবা গভর্ণমেন্ট ক্বার্টর টাইপ-ৱান অমসুং থ্রীগী মরক্তা শাজিল্লম্বনি। অদুবু কুমজা ১৯৭০গী মতুংদগী লৈরকখিবা চর্চ অহুমসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদগী থবক লৌখৎপা হৌরকখিবনি। চর্চশিংসিদা মরী লৈনবা লোয়শঙদগী শো কোজ নোটিশ পীবনি। নোটিশসি ফংবদগী চর্চ অহুমসিগী মায়কৈদগী হায় কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি। ৱাকৎতু কোর্টনসু তাখি অদুগা চর্চশিং অসি 'ষ্টেটস ক্বো' দা থম্মনবা খঙহল্লকখিবনি। অদুবু কেসসিগী মখা চত্থরকপা ৱায়েলদা কোর্টনা থমখ্রিবা ফীভমসি লৌথোকখিবা (ভেকেট তৌখিবা) দগী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) অমসুং মরী লৈনবা লোয়শঙনা পুলিসকা খূৎশম্নরগা তকথোকখিবনি। লাক্লিবা ৱাফমদি চর্চ হায়বসি লাইনীং অমগী লাইশঙনি। খ্বাইদগী শেংলবা মফমনি। অদুবু অসিগুম্বা মফম অমা শেমগৎপদবু মথৌ তাবা এল্লোটমেন্টনচিংবা লৌরগা দাগ চিঠা অমসুং পাট্টানচিংবা পায়দনা হেক্তা শাজিল্লুরিবা করিগীনো হায়বনি। হোয়, লৈঙাক্না মথৌ তারে, তঙাইফদ্রে হায়রক্লগদি চহী কয়া পাট্টা পায়রক্লগসু লৌশিল্লগা শীজিন্নববুদি ঙম্মী। অদুবু ফীভমসিদা লৌশিনবদি লৌশিনগদৌরিবা লম অমসুং মদুদা লৈবা ষ্ট্রকচরশিংগী মমল ফংগনি। অদুবু এল্লোটমেন্টদগী হৌরগা মরী লৈনবা চে-চাং অমত্তা পায়দনা চোংশিল্লগা শাজিল্লুবনি। হৌজিক্তি করি থোকএ? চর্চ অহুমগী বিল্ডিংদা নত্তনা মনুংদা থম্লম্বা পোৎ চৈশিং ফাওবা শীংকুপ তাবা য়াওরে, করি কান্নে, মমলসু ফংদ্রে। লৈরিবা লো, এক্ট অমসুং রুলশিং খঙশিন-উশিন্নদনা নম্ফুদা তৌশিল্লুবগী মহয়নি। লৈঙাক্কী লমদা অমসুং ফোরেষ্টকী এরিয়াদা তৌবা য়াদে খঙনা খঙনা তৌরুরিবা করিগীনো হায়বনি।

হায়সু হায়বনি, লৈঙাক্কী অতে লোশিংদি খরবু ঙাক্না চৎনরমগদ্রা? লমগী মতাংদদি অয়াম্বা মতমদা ফত্তবনি খঙনা খঙনা চোংশিন্দুনা নেৎলি হায়বদুগী থৌদৌ হেক্তা চত্থদুনা লৈরম্মী। ৱারু-নুংজু হেক্তা থোক্লে। অদুবু লৈঙাকসু হৈনিংলগা কৈমাং ফম্বা, হৈনীংদ্রগা কৈনিং ফম্বগী থৌওং চত্থবা চুমদে। শিদোকখ্রিবা চর্চ অহুম্মক কুমজা ১৯৭২-৭৪দগী শাগৎলকপসু য়াওবনিনা নোংমা খক্তদা শাবা হৌরগা লোইশিনখিবসু নত্তে। শাবা হৌগৎলকপদদি নখূৎ-নখূৎশিংদু নক্রাং লোল্লগা লৈহৌব্রা হায়বনি। শাবা হৌগৎলকপদনা নমিৎ তাংবা, ননা পঙবা অমসুং নরোলসু থোক্তবা অদুবু চহী ৪০ হেঞ্জিল্লক্লগনা মীৎকপ থোরকপসিবু চুম্রা হায়বনি। শাবা হৌগৎলকপদা মতম চানা য়াদে হায়দুনা থিংবীরম্লগদি শিদোক্তুনা তকথোকপদা হরাওনবগুম অহিং নোংয়াই চবুক্তা খূৎলায় পায়বা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা লানবনদৌনা কোইশিল্লগা চত্থখিবা থৌওংদু মথৌ তারমখিগদ্রা হায়বনি। মম্বাইদদি হান্না শিংবা অশিংবা, কোন্না শিংবা অপঙবা হায়বদুসু নীংশিংলকই হায়বনি। মতুংদা তৌনু। কোন্না শিংলকপগুম্না হৌবদগী শিংহৌ। মসি নৎত্রবদি খূৎ, মিৎ অমসুং নাকোংবু পাম্বে অমনা নম্ফুদা মেনশিনখিবদগী লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙগী থৌমীশিংনা অয়ম্বদৌনা লৈহৌবা ওইগনি হায়বসি শোয়দনা হায়রক্কনি। অদুগা প্রোটেক্টেদ অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াশিংদসু হেক্তা চঙশিন্দুনা খোপচিল্লগা লৈশিনবগী থবক মখা তানা তৌরনু। লৌরুংশঙগী হৈ-পা শাবা ওফিসল খরনা ফাওবা মরন্নাই ফুরিৎখাও চোন্নবগীদমক ফোরেষ্ট এরিয়াদা পাট্টা পীশিল্লম্বদগী চাকখুম অচৌবগী চাক চাবা য়াওখ্রবনি হায়বসি কাউদবা চুম্লগনি। য়াদবা/তৌরোইদবা থবকশিং নম্ফুদা হেক্তা তৌশিনবগী হৈনবী থাদোক্লবগী মতমদি হেন্দোরক্লবনি হায়নীংই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙগী মীওইশিংসু হায়রগতা তাবা, থৌদারগতা তৌবদুদি মীনাই খক্তনা তৌবনি হায়বা কাউথোকহন্নীংদে। মমিৎসু, মখূৎসু অনীমক মথিবোং পালহন্নীংই।

ꯂꯝ ꯈꯣꯞꯆꯤꯟꯕ
ꯍꯪꯖꯤꯟ-ꯍꯪꯖꯤꯟ ꯇꯝꯕꯤꯔꯕꯁꯨ ꯐꯥꯗꯕ ꯄꯥꯔꯥ

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q. কোৎ মনুংদা লৈবা ফৌজুম ময়াম অমা পাইথোরক্তুনা লময়াইদা, চাকখুমদা অমসুং ঈশিংদা ময়াম অমা তাশিন্দুনা লৈবনা য়াম্না খুদোং চাদ্রে। কোৎকী ফৌজুমশিং অসি করি হীদাক্না হাৎকদগে। ফৌজুম্না মরম ওইরগা কোৎতা লৈরিবা ফৌশিংসু ফৌহাম য়াম্না য়াওরে। খরা শম্বা থৌরম অমত্তা খঙজনীংই।

**- পুর্নচন্দ্র, লাইশ্রম লৈকায়**

☞ মমাঙঙৈদদি হীদাক কাপ্পরম্মী। অদুবু ঙসিদি চাননবগীদমক খাওরবা নৎত্রগা লোক্লবা পোৎলম অমত্তদা হীদাক কাপত্রে। মরম অসিনা ফৌজুম তীল লৌথোক্লবা নৎত্রগা হাৎনবা থৌরমসি - নুংশাদা কংনা ফৌদোকপা নত্তনা অতোপ্পা থৌরম অমা লৈতে।

মথং চহীদা ফৌ হৈজিন্দ্রিঙৈদা হান্নগী ফৌ মখৈ শিং নান্না খাইদোক্লবা মতুংদা মীরাং, অমোৎ-অকাই খুদিংমক য়াংগেন শুমচিৎনা শিত্তোক্লবা মতুংদা Neem (3000ppm) মিলিলিটর ৫০ ঈশিং লিটর খুদিংদা হাপ্লগা কোৎ মনুংগী কাচিন কোয়া য়ৌনা মপূং ফানা কাপথোকহৌসি। নৌনা লোক্লকপা ফৌ মখৈ নুংশাদা ফৌদোক্লগা (য়ারিবমখৈ কংনা, ≤ 13% moisture) হৈজিনসি। ফৌজুম অমা ফাওবা লৈররোই।

Q. কারোট অখাবী থারিবসি পানবসু হৌরে। অদুবু মনাদা কোকফাই অঙৌবা ময়াম অমা কুপশিনবা হৌরে। মনা খরা অমদি ঙাংফম থোক্তবা চাংদা মরাং মরাং ওইনা ঙাংশিনবা য়াওরে। থাজখ্রিবা ফোটোদু য়েংবীরগা হকচাং শোক্তবা হীদাক অমত্তা হায়বীরকউ।



**- তোম্বা, হিয়াংলম**

☞ কোকফাই অঙৌবা কাবী অমসুং মনা ঙাংলগা লাংহল্লিবা লায়না অনীমক Subwell মিলিলিটর ৮০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কারোট মনা অমসুং মরীশিং (মউ) চোৎনবা নুংথিলগী মতমদা কাপথোকসি। চয়োল অমা লৈরগা চিথহৌবা মফমশিং অমুক হন্না কাপথোকসি।

থাবীরক্লিবা ফোটোসিদা উরিবা কারোটসি পংচাও চাওবা ঙমদনা লৈরিবদু অথৌবা থাঙ অমনা খায়দোক্লগা য়েংবীয়ু মনুংদা হন শোয়দনা য়াওরনি। মখা তানা তীলনা অসি লৈতনবা Melon fly trap শঙম অমা চাওবা মফমদা তরুক হাপসি। লৈরিবা কারোটকী মফমদু কয়া য়াম্না চাওবনো হায়বদুগা চাননা Melon fly trap সু হাপহৌসি। মমাঙগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা মসিগী ৱাহং লাকখ্রে।

Q. লাক্কদৌরিবা নোংজুথাসিগী মাঙওইননা য়োংচাক খরা য়াম্না থাগে খঞ্জবনি অদুবু এপ্রিল থাগী থখায় হেল্লবা ফাওবা য়োংচাক অতেকপা (লোদবা) ইহোঙ হোঙনা ফংবসিদা য়াম্না নীংহন্নরে। য়োংচাক্কী মহুৎ করি থাহৌবনা হেন্না ফগদগে?

**- ননাও, তেন্থা**

☞ হোঙলিবা য়োংচাকসিদি মীরমগীনি। মণিপুরগী নত্তে। পুশিল্লক্তবা নুমিৎতা লৈরোই। হৌখিবা চহীদা কোরোনানা মরম ওইরগা য়োংচাক পুশিল্লকপদা অপনবা য়াম্না লৈখি। লৈবীনবা লৈত্রবনিনা য়াম্না থেংনা হেক্লখি। মণিপুরদা য়োংচাক মরু ওইনা পুশিন্নরকখি। থেংনা হেকখিবা য়োংচাক পাম্বীশিং থংনবা চহীদা থেংনা মপান শাবা মরম্না জন্যুৱারীগী অহানবা থখায় ফাওবা মরূ তোঙবা য়োংচাক ফংখিদে, থেঙনা পানবা হৌখিবননি। মণিপুরগী ঙমখৈ ওইরিবা মোরে মনুংসু য়োংচাক হেক্তবা ময়াম অমা লৈরি। উথক্তা মুশিন মুনা চরোং চরোং য়াল্লগা লৈরি। হেক্লিংদবগী। অহেকমনসি য়োংচাক অমগী লুপা অমনি; মীঙোন্দগী লৈরুবনা হেন্না ফরে; ৱাদ্রে খন্নে। পাম্বীশিংদু মথং চহীদা থেংনা মপান লাক্কনি।

য়োংচাক্তু থাজিনবীয়ু; য়াম্না কান্নগনি, ইশাগীদা নত্তনা মণিপুর মীয়ামগীসু কান্নগনি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী
লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল
*hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি
থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# ফোসফরস অমসুং পোটাশকী হারশিংগী মরমদা ৱাহৈ খরা

**- এস সুমঙ্গল -**

হৌজিক্কী মতমদা ওর্গানিক ফার্মিং, নেচরেল ফার্মিং হায়বনচিংবা লৌউ-শিংউগী ওইবা থৌওংগী মায়কৈরোমদা ওনশিন্নবা থৌরাং কয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খোঙথাং কয়া লৌখৎলক্লি। মতম অমদদি মসি তৌদবা য়াদবা অমসু ওইরকপা য়াই। অদুবু মসি তশেংনা মায় পাক্লবা হোৎনবদা মতম খরা অদুমক শোয়দনা চঙখিনি হায়বদি লাল্লোই হায়না খল্লি। রশায়ন কয়া শীজিন্নদুনা হায়বদি খূৎশেমগী ওইবা ইনওর্গানিক হার, তীলহাৎ হীদাক কয়া, অনৌবা মখলগী চাথোক লৈবা পাম্বীগী মখল কয়া, হায়ব্রিদকী ওইবা মখল কয়া পুথোরক্তুনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি কাঙলোন চুম্না শীজিন্ননবা চহী কয়া অমা হোৎনদুনা চাবা কোন্ননবা হোৎনরক্লিবা অসিদা ঙসি ফাওবদা মখোয়বু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবা লৌমী ইচিল ইনাওগী মশীং অসি য়ামদ্রি হায়বা তাই। মরম অসি লৈবনা মথক্তা থমজরিবা হার মখল অনীসিগী মরমদা খরা মখৈ মমুৎ তানা খঙমিন্নবগী তঙাইফদবা অদু লৈরি হায়না লৌজরগা খঙজিনবা য়াবা খরা থমজরি।

ফোসফরসকী হার : ঐখোয়না য়াম্না তোয়না থেংনবা ৱাফম অমা থমজবা তারগদি য়াম্নমক মরু ওইরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচন ফোসফরস অমদি মসিবু পীরিবা হার মখলশিংগী মরমদা অয়াম্বা ইচিল ইনাওশিংনা মমুৎ তানা খঙবা য়ৌদবা অসিনি হায়বা তাই। অতৈ হারগা লোয়ননা ফোসফরসকী হার মখল, চাং, চাইবগী মতম, মওং অমসুং লৈবাক মখল খুদিংমক চুম্লবা মতমদতা থারিবা মহৈ মরোংগী চাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। মরু ওইবা ফোসফরসকী হার মখল খরা থমজগে- দাইমো (দাই এমোনিয়ম ফোসফেট), মসিদি কম্পাউন্দ ফর্টিলাইজরনি। মঙোন্দা নাইট্রোজেনসু ১৬-১৮% য়াওই; সিঙ্গল সুপর ফোসফেট (১৬% ফোসফরস য়াওই); দবল/ত্রিপল সুপর ফোসফেট (মথংশিৎনা ৩২%, ৪৬-৪৮% ফোসফরস য়াওই); রোক ফোসফেট (২৫-৩৫% ফোসফরস য়াওই) রোক ফোসফেট য়াম্না ফবা হার মখলনি।

১) পাম্বীনা য়াম্না নৌরিঙৈ মতমদগী থেংথরিবমখৈ ফোসফরসকী হার চাইবগী কান্নবা হন্থগনি। মচন অসিনা পাম্বীগী মরা ফহল্লি, মরা ফবনা পাম্বী খূৎলৈ থুনা চাওহন্দুনা মপূং ফাহন্দুনা মপান ঙন্না শাহল্লি, লোয়ননা মহৈ ঙন্না পান্দুনা মুলহল্লি।

২) মসিগী হার অসি ফৌগী ওইনা হায়রবদা মচন অসি ৱাৎপনা ফৌ পাম্বীগী শাহৌ থিন্থহল্লি, মনা পাকপা হন্থহল্লি, মনা তেল্লি, মোৎনা শংই, পেক্রুকলৈ মচু ফাওরকই, মচা পোকপা ৱাৎহল্লি। মরমশিং অসিনা চাথোক হন্থহল্লি।

৩) ফোসফরসকী হার খুদিংমক য়াম্না শিনবা নৎত্রগা য়াম্না য়াকপা মফম নত্তনা মফম অতৈদা মাগী কান্নবা অসি অদুমক মান্নে হায়না লৌই। মণিপুরগী ওইনদি দাই এম্মোনিয়ম ফোসফেট নত্তবা অতৈ মখলশিং শীজিন্নবনা তুংগী ওইনা হেন্না ফৈ।

৪) ফৌ থারবা মতুংদা লৈমাইদা চাইবদা পাম্বীনা ফংবা ৱাৎলি, লোয়ননা মসিনা লৈমাইদা ঈশং কাবা/পোকপা হেনহল্লি। ফৌ লিংদ্রিঙৈ নৎত্রগা হুন্দ্রিঙৈ অরোইবা খোইবদা চঙগদবা অপূনবা হার মমুৎ তানা লৈবাক্তা খোইজিনসি।

৫) পাম্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা ফোসফরসকী মথৌ য়াম্নমক লৈ। নৌরিবা পাম্বীগী মরা ফহনবদা মচন অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌই।

৬) নৌরিবা পাম্বীদা মচন অসি মতিক চানা হাপহৌবনা পাম্বীনা লিরবা মতম, মহৈ য়ানবা মতম ফাওবদা শীজিন্নবা ঙমই, অরিবা মনাদগী অনৌবা মনাদা মতম চানা য়ৌহনবা ঙমদুনা চাথোক নিংথিনা পীবা ঙমহল্লি।

৭) লৈরোন্নুংদা খোইজিনখ্রবা মচন অসি ঈশিংনা চেন্থদুনা নৎত্রগা চুমথদুনা কা হেন্না মাঙবা ঙমদে। লৈমায়দা চাইবা মতমদদি পাম্বীদা ফংবসু ৱাৎলি, মাংখিবগী চাংসু হেল্লি।

৮) মচন অসি লৈবাক্তসু পাম্বী মনুংদসু য়াম্না তপ্না চৎপা মরম্না ফৌনা মচা পোকপা লোইরমদাই নৎত্রগা লোইরবা মতুংদা হাপ্পা হারনা পাম্বীগী মহৈ/ফৌ মরূ য়ৌবা ঙমদনা মরা, মউ অমদি মনাদা তুংশিন্দুনা অদুমক লৈহৌই। ফৌ মরূ চঙবা ৱাৎলি, ফৌহাম চেনগল্লি।

৯) মচন অসি কা হেন্না চাইশিল্লবসু পাম্বীদা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট, বোরোন অমসুং জিঙ্ক ৱাৎনা ফংই।

১০) সিঙ্গল সুপর ফোসফেট ঈশিংদা তুম্বা ঙম্বা হার মখলনি। মসিদা কেলসিঅম চাদা ২০ য়াওবা মরম্না লৈবাক শিনবা হেনগৎহন্দে, তপ্না তপ্না লৈবাক ফগৎহল্লি। মসিদা সলফরসু চাদা ১২ য়াওই।

১১) নাইট্রোজেনগী হার য়ুরিয়াগা লোয়ননা চাইদুনা লৈবাক্তা খোইজিনবনা ফোসফরস ফংবা হেল্লি।

পোটাশ : পোটাশনা পাম্বীগী হিংবদা অচৌবা থৌদাং লৌই।

১) পাম্বীগী অতৈ মচনশিং মরু ওইনা নাইট্রোজেন নিংথিনা শীজিন্নবা ঙমহল্লি।

২) মনানা শুংবা মচিঞ্জাকশিং অতৈ মফমদা য়ৌহল্লি, সেলশিংগী মকু শাবদা অচৌবা থৌদাং লৌই, লোয়ননা সেল মনুংগী অশিন অয়াক চাং চানা থম্বা ঙমহল্লি।

৩) মনাদা য়াওবা মখুনশিংগী (ষ্টোমেতা) মথৌ নিংথিনা তৌহল্লি।

৪) অয়াম্বা পাম্বীগী প্রোতিনগী চাং অমসুং মগুন হেনগৎহল্লি। পাম্বীনা অঙৈংবা খাঙবা ঙম্বগী চাং, লায়না তিলনা ঙাকথোকপা ঙম্বগী চাং হেনহল্লি। অশোক অপন ফাজিনহনবদা মতেং পাংই।

৫) পাম্বীগী মপুন্সি খরা শাংদোকহন্দুনা চাথোক হেনগৎহল্লি, মহৈ কেনবগী অমদি মনা লিশিন্দুনা কেনবগী চাং হন্থহল্লি।

৬) পোটাশকী হার চাইবনা অকোইবগী ফীভমদা অকায়বা পীবগী থৌওং ঙসি ফাওবদা তাদ্রি। অদুবু ক্লোরাইদতা খরা হৈনদবা পাম্বীশিংদা পোটাসিয়ম ক্লোরাইদকী হার চাইবদি ফৎতে।

৭) অরিবা মনাদগী অনৌবা মনাদা য়াম্না য়াংনা য়ৌবা ঙম্মী। মনাগী শংবগী চাং হেনহল্লি।

৮) পোটাশকী কান্নবা ফংনবা পোটাশকা লোয়ননা অতৈ মচনশিং চাং চানা হাপ্পা তঙাইফদে।

৯) পোটাশ ৱাৎলবদি নাইট্রোজেন নিংথিনা ফংবা ঙমদে। লোয়ননা আইরননা হু চেন্দুনা মাঙনবা মচাক ওইহল্লি। ফৌগী ওইনদি - লায়না ব্রাউন স্পোট তাহল্লি। ফৌ চাওজন থিহল্লি, ফৌগী মউ পীক্না শোনজুনবা থেংনগনি হায়বদি মউ শোনহনগনি। ফৌনাশিং মোৎনা শংগনি।

১০) কা হেন্না ৱাৎপা নৎত্রগদি ফৌ মচা পোকপগী চাংদি থোইদোক্না হন্থদে।

১১) ফৌনা লিংথোক্লবা মতুংদগী ফৌ মরূ হান্দুনা মরূ কনশিন্দ্রিঙৈ মতম ফাওবা পোটাশ চুপশিল্লি।

১২) মচা য়াম্না পোকপা মতম ফাওবা মরক্তা পোটাশ ৱাৎপা ফত্তে। মসিদগী মতম খরা কান্নরবসু হায়বদি মপান মমি তম্বা (পি আই) ফাওবা খরা চুপশিনবা লেপ্লবসু পি আই য়ৌবদগী অমুক চুপশিনবা হৌবনা মতাং অসিদা অরোইবা চাং চাইগনি।

পূম্নমকশিং অসি খঙনা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ, ফৌ থারিবা খুদিংমক্তা হার কাঙলোন চুম্না চাইদুনা চাথোক হেনগৎনবা হোৎনরসি। ●